ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯟ ꯱꯲, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯷꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জুন ১২, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৭৪শুবা মশীং

## পাঙথোক্কদৌরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরশিংগী মীফম

### মতীক চাবা এদ্যুকেসন পোলিসি শেম্নবা ৱারেপ লৌহন্নিংই

হ্যুমেন রিছোর্সেস দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর রমেশ পোখ্রিয়াললনা জুন ২২ দা ষ্টেট পূন্নমক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরশিং উনদুনা দ্রাফ্ট এদ্যুকেসন পোলিসিগী মতাংদা খন্নগদৌরি। মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা মীয়ামগী মোত কৌখ্রবা মতুংদা ষ্টেট পূন্নমক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরশিংগা উনবগী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। লামায় ৪৮৪ পানবা দ্রাফ্ট নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসিগী মরমদা লৈবাক মীয়াম্না পীরকপা মোত অমসুং ষ্টেট পূন্নমক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরশিংনা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং কুপ্না খন্নরগা জুলাই থাদা যুনিয়ন কেবিনেটনা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌগদৌরি। মমিং লৈরবা সাইন্টিষ্ট কে কষ্টুরিরঙ্গননা লুচিংবা কম্মিটি অমনা শেমখিবা দ্রাফ্ট পোলিসিদা য়াওরিবা ‘থ্রী-লেংগ্বেজ ফোর্ম্যুলা’গী মায়োক্তা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুরকখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। থ্রী-লেংগ্বেজ ফোর্ম্যুলা চৎনহন্দুনা হিন্দি লোল ঙাঙদবা ষ্টেট পূন্নমক্তা লোল অসি তমহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপবু সাউথ ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবনি। থ্রী-লেংগ্বেজ ফোর্ম্যুলা মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূন্নমক্তা মমালোল অমদি ইংলিশ তমহনবগী মথক্তা কম্পলসরি ওইনা হিন্দি লোল তমহনবগী ৱাফম য়াওরি। তুংগী যূম্বী ওইগদৌরিবা অঙাংশিংবু লোল মশীং য়াম্না তমহন্দুনা মতীক চাবা মীশক অমমম্ ওইহন্নবগী পান্দমদা শেমখিবা দ্রাফ্ট পোলিসি অসিগী মায়োক্তা তামিল নাদুগী পোলিটিসিয়নশিংনা অকনবা ৱাফম পোঙদোক্লুরকখি। মশামক হিন্দি ফিল্ম কয়াদা শক্তম লাংদুনা বোলিৱুদতা অচৌবা ফিদা কল্লম্লবা কমল হসননফাওবা সেন্টরগী থৌরাং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ)দা মরু ওইবা মপাং অমা ওইনা য়াওরিবা এ আই দি এম কেনা হায়খি, তামিল নাদুদা করিগুম্বা থ্রী-লেংগ্বেজ ফোর্ম্যুলা চৎনহন্নবা হোৎনরক্লবদি মপূং ফানা থিংনবা হোৎনগনি। মীপূম খূদিংমক মশা-মশানা পামজবা লোল তম্নবগী খূদোংচাবা ফংহনগদবনি হায়না পল্লদুনা এ আই দি এম কেগী লুচিংবা অমসু ওইরিবা তামিল নাদুগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর কে এ সেনগোটায়ানননা হায়খি, টু-লেংগ্বেজ ফোর্ম্যুলা চৎনহন্দুনা শুপ্নগী ইংলিশ অমসুং তামিল লোল খক্তমক তমহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি।

ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংদ্রিবৈঙদগী হৌনা হিন্দিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবদা মীওই ৭০ রোম শিখ্রবা তামিল নাদুদা থ্রী-লেংগ্বেজ ফোর্ম্যুলা চৎনহনবা য়ারোই হায়না এক্টর ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা কমল হসন, দি এম কেগী লুচিংবা এম কে ষ্টেলিন, এম দি এম কেগী লুচিংবা ভাইকো অমদি এ এম এম কেগী লুচিংবা টি টি ভি দিনাকরননসু য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা চেকশিন-ৱারোল পীখি। ইন্দিয়াদা হৌজিক-হৌজিক চৎনরিবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি অসি কুমজা ১৯৮৬ তা শেম্লগা কুমজা ১৯৯২ দা নৌনা অমুক শেমদোক শাদোকখিবনি। বি জে পিনা মীখল মমাঙদা শকখিবা ৱাশক অমা থবক্তা ওন্থোকপা ওইনা পুথোরক্লিবা দ্রাফ্ট পোলিসি অসি ইন্দিয়ন স্পেস রিছর্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)গী চ্যেরমেন ওইরম্বা ডা. কষ্টুরিরঙ্গননা লুচিংবা কম্মিটি অমনা শেম্বনি। মহৈরোয়শিংবু মপূং ফানা লৌশিং লৈহনবগা লোয়ননা সাইন্স, টেক্নোলোজি, একাদেমিক অমদি ইন্দষ্ট্রিগী অৱাৎপা মেনপাৱর মেনখৎনবগী পান্দমদা পুথোরকপা দ্রাফ্ট পোলিসিনি। এসেস, ইক্বিটি, ক্বালিটি, এফোর্দেবিলিটি অমসুং একাউন্টেবিলিটিদা য়ূম্ফম ওইরগা পুথোরকপা দ্রাফ্ট পোলিসি অসিগী মায়োক্তা সাউথ ইন্দিয়াগী লুচিংবা খরনা ইচঙ থৌনা অয়েৎপা পীরক্লিবসিগী মরম খরা শোয়দনা লৈফম থোকই। লোল মশীং য়াম্না তম্বদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈত্রগসু ‘হিন্দুত্বা’গী পান্দম ফংনবা অতম্ননা হিন্দি লোল তমহন্নবগী থৌরাং লৌখৎলক্লিবনি হায়নরক্লিবসি তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নহৌবা মথৌ তাই। তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়ামরুম য়াওরিবা দ্রাফ্ট নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসিদা থোইদোক-হেন্দোক্লা পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইরিবদি ‘এদ্যুকেসনবু শেন্দান লম্বী ওইনা শীজিন্নবা য়াহল্লোই’ হায়বা ৱাফম অসিনি। থবক খূদিংমক্কী অফ-ফৎতা লৈবগুম দ্রাফ্ট পোলিসিগী মতাংদসু অফ-ফৎতা লৈবা মশানা তাবনি। অদুম ওইনমক জুন ২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট পূন্নমক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরশিংগী মীফমদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী মীহুৎনা মমিংতগী ওইনা মীফম য়াওরুবগী মহুৎতা লমদমসিগী নাৎ অমসুং পুৱারীদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবা থৌরাং অমত্তা দ্রাফ্ট পোলিসিদা য়াওহন্দনবা নুপা থোক্লা য়েৎপগী মথৌ তাই।

## এদিটরদা থারকপা চিঠি

### পোট হোল শেম্বীনবা নীংশিংজরি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটরগী মফমদা নীংশিংজরি, মণিপুরগী লম্বীশিংদা পোট হোল লৈরিবা ময়াসি লৈকক্লা মান্নরে। য়াম্না শম্না হায়জরবদা কৈশামথোংদগীনা কৃষ্ণ প্রেমি ওইল পম্প ফাওবগী লম্বী মতেক অসি নম্বুল মপাল অমসুং য়াইস্কুল অনীগী য়াম্না মরু ওইবা লম্বী অমনি। হায়রিবা লম্বী অসি অসুক্কী মতিক ফৎত্রে। পোট হোলনা পীক থন্না লৈরে। মসি ঐহাক ইশামক্লা মরী লৈনবা মিনিষ্টরদসু থা ৭/৮ লোমগী মমাঙদা শেম্বীনবা নীংশিংজবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবদা করিগুম্বা অমত্তসু শেমজিন শাজিনবগী মওং উদে। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়জনীংই।

কৈশামথোংদগীনা কৃষ্ণ প্রেমি ওইল পম্প ফাওবগী লম্বী মতেক অসিদা লৈরিবা পোট হোলশিং অসি শেম্বদা শেল য়াম্না চঙগদবসু মান্দে। হায়রিবা লম্বী অসি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা অমুক্তা চৎতুনা য়েংশিনবীগদ্রা? শেম্বীনবা হায়জরিবা থবক অসি মেজর ৱর্কসু ওইগদবা মান্দে। য়ারগদি পোট হোল ময়াম অসি মীয়ামগী য়েংলগা অথুবদা শেম্বীনবা মরী লৈনবা মিনিষ্টরগী মফমদা নীংশিংজরি।

*অদোমগী - তোম্বীবাবু, কৈশামথোং*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭

১। মণিপুরগী নিংথৌ ফম্বাল লান্দা ইরেংবম থুন্দাংবগী লান অসিসু অমনি। মী য়াম্না শিখি, মশামক ফারগা হাৎখিবনি।
(ক) ফম্বাল লান অদু করম্বা চহীদা থোকখিবগে?
(খ) ফম্বাল লান্দু থোকপা মতমদা লৈরম্বা পোলিটিকেল এজেন্ট অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। “লৈরাংত লৈরাংনি ঐগী পামজবা শৈরেংদি/...মাগী নুংশি মঙলান্দা/শানৌ ঙাইহাক মাঙজরবা/য়ারে লৈরাং।” পরেংশিংসি কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। “কৈশাম প্রিয়কুমারগী ৱারীমচা অমদা ‘নোংনা ফূদিৎ ফূনা চুবা অহিং অমদা পাখঙমচা অমনা কোম তৌবা, অদুগা কোম অদুদা পাখঙদুমক ফূমজিনবীখিবা’ উৎলি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “শাৎচনীংবনি লৈরাং কুন্দো ওইনা/নুংশি লংলাদা লেংজরগা/নঙগী ঙকশমদা হুক্লবা” পরেং অহুম অসিনা ‘ঐবু লৌবা লাক্কনি’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদু কনানো?

৫। “হোৎনববু কল্লবদি মহয় শোয়দনা চায় উৎপা দ্রামা লাইরিক, ‘কপ্পু কপনিংলকইদা’ কৌবদুগী চীংমী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# সাইকল থৌবসি ইকায়নরে

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

সাইকল অহোঙবা অমতং তোংবা ফংজরবদি হায়না লাই খুরুম্নখিবনি অঙাং ওইরিবৈঙদা। সাইকলসি য়াম্না পামজরকখি। য়ূমদা মী-পোং সাইকল তোংদুনা লাকপদা কয়াদা হরাওখি। মীদুনা য়ূমগী মীগা ৱারী শানরিবৈঙে মতমদা লোন্না সাইকলদু ইন্থোক্লগা ঙাইহাক্তং ওইরসু থৌহৌবদুদা নুঙাইখিবা মনুংঙাই অদুবু পুন্সিসিদা করম্না কাউগনি। শোয়বদগী সাইকলদু তুশিনবদা খুকউ তৎখিবা, মীগী সাইকলদু কোপ্পা, শোকপদা উদনবা কয়াদা ৱানা হোৎনখিবা। খুকউ তৎতুনা ঈ থোক্লবা ঐনা নাদবা শাদুনা সাইকলদু তপ্না ইনশিল্লকখিবা। মীদুনা চৎকদবগী ঙাইরম্বদা, য়ূমগী মীনা মীগী সাইকল লোন্না থৌরুবগী চৈখিবা। হৌজিক্তদা নীংশিংলগা কয়াদা নুংঙাইরকখিবা।

মতমদুদা সাইকল ইংলিস হম্বর অমগী মমল কয়াদা য়ামখ্রবা। দাইনেমো য়াওবা সাইকলদি নুমিদাংগী মতমদা পুংমম মল্লবা লম্বীদা কয়াদা নুংঙাইখিবা। মতমদো লম্বীদি লায়রদনা য়ূম অমত্তদা ইলেক্ট্রিক ফংনদ্রিবা মতমনি। হৌজিক্কী মতমগা কয়াদা খেন্নরবা? মতমসে কয়াদা হোংলবা? সাইকল খুদিংমক পুখ্রি মপান্দা নৎত্রগা মফম চাবা অমদা নুংতিগী ঈশিংনা চামথোকনৈ। ফিনা সাইকলদু লংত্রিক লংনা তৈথোক্তুনা কয়াদা নান্না তোংনখিবা। অদুগুম্বা তরু-তনানবা সাইকলদু মতমদুগী পাখঙশিংনা মশম শমবোঙবী হাৎলগা নুমিদাংৱাইরম হাইদোরকপদা ঈশিং শোকপা চৎলিবী নৎত্রগা লৈকায়গী খোঙনাং মখোঙদা পোৎফম ফন্লিবী ইনে ইন্দোনগী পোৎফমদা শিংজু তোত্তুনা চারিবী লৈশাবীশিংনা কয়াদা খোয়জংনা য়েংলকখিবা। মাগী সাইকল মনীংদুদা নৎত্রগা মমাঙগী ফ্রেমদুদা অমুক্তং ফৈনা তোংজরগা কেথরপ হৱা চাবা চৎলদি হায়না মঙ মঙজখিবী লৈশাবী কোঙ্গাই লৈখিদবা নৎখিদে। কয়াদা নুংশিখ্রবা ৱারীনো? ঙরাংতা ওইরবোই নীংলুই, অদুবু ঙসিগদি কয়াদা খেন্নরে? চাওখৎলকপনি হায়গদ্রা মদুই মতমদুদৈ খিত্তং থেংথরকপদা অৱাইবনি খঙদে, মশাগীনি খঙদে স্কুটর থোট-থোট লাউবী অমগা তোংলদি লোইরে লেম্নবদা। লৈশাবীশিংসু থোঙ্গালদা, লম্বীদা স্কুটর মখোল তাবদা মমায় হুৎ-হুৎ লৈদুনা য়েংনরম্মী। মসি ওজা জি সী তোংৱাগী মমিং লৈরবা দ্রামা ঙাবোং খাও হায়দুদা ঈশৈ ওইনফাও য়াওরিদুনি। স্কুটরনা মহুৎ শিনখ্রবা সাইকলগী মরাইবক নোংমা-নোংমগী থীবা শুম হেনজিল্লকই। মদুদৈ অমুক খরা থেংথরক্লগনা কার - ফেট, মারুটি ১৮০, মদুদৈ মথং মথং হৌজিক অতাঙবা মখল কয়া লাক্লিবসিনি।

স্কুল কোলেজ কানবা মহৈরোয়শিং ক্লাস টেন পাস তৌরবদি সাইকল অমা শোয়দনা লৈনরম্মী। মমা মপানসু মচাশিংদা মেত্রিকসি হেক পাস তৌবদা সাইকল অমা লৈবীনি হায়বা ৱাসিনা মহৈরোয় অদুগী পূক্লিং য়াম্না থৌগৎখি। সাইকলসি এরোপ্লেন অমা লৈবগুম খন্নখি। কোলেজ কাবদা সাইকল অমমম থৌরগা কানরম্মী, নুপাসু নুপীসু, সাইকলনা লম্বী সোরোক পুমথন থন্নরম্মী। মতমদো কয়াদা নুংঙাইখি। কা হেন্না লম্বী চিনবগী ৱাসু লৈরমদে। হৌজিক্তি কারনা মীৎতা চঙদৌরে। নুপা অমনা নৎত্রগা নুপী অমনা মরন্নাই ওইনা থবক অমা চৎপদা, ওফিস কাবদা চাউখ্রবা কার অমমম থৌরগা লম্বীদা ফন্দুনা চৎনরি। অদুগুম্বা মী তরাদংনা লম্বীদা চৎপদা লম্বী পুমথন থল্লে। খোঙনা চৎনবা লম্বী ফাও লৈনদ্রে। হৌজিক লম্বীদা খোঙনা চৎকনি হায়বসিদা লৱাই লুতোন শাৎনবা ময়াম অমা য়াওনরে। মদুদবু সাইকল থৌবীনবা মী লৈখিদ্রা? হৌজিক ওফিসতা চাউরে চাউরে হায়দুনা লৈনরিবা ওফিসরশিংসি, সাইকল থৌরগা চৎলম্বা ঙাক্তনি। ওফিসরশিংদো হৌজিক্তি মানা হৌদোকচরকপা সাইকলদো হন্না ফাওবা য়েংখিদ্রে। মা থৌদ্রসু মাগুম্না হৌরক্লিবা নহাশিংনা সাইকল থৌজনবগী লম্বী অমগা শেম্বীগে হায়বসি মখোয়গী কোক্তা য়াওনদ্রে। অদুনা সাইকল থৌরগা লম্বীদা চৎপসি তুংদগী, নাকন্দগী কার থৌবনা ইঞ্জিন পানবা গাড়ীনা থোমজিনবীরমগদ্রা হায়না য়াম্না নুংশা থিনৈ। সাইকল থৌরগা চৎপসি থৱায় য়োল্লগা চৎপগা মান্নরে হায়না খন্নে। ঐখোয় লমসি লমদা অমনি।

মীগী লমদদি চাওখৎ চাওখৎলগা, খোঙনা চৎপা, সাইকলনা চৎপা, বসনা চৎপগী চাং হেনগৎলি, ঐখোয়গী শ্বাইগীনা কম্পেনিগী খঙদে, ওফিসকী খঙদে, প্রাইভেটকীনি খঙদে থবক অমবু তৌরবা, নৎত্রগা থবক শূবসু অদু মঙাই মখূৎতা শেল খজিক্তং পায়রকপদা গাড়ী মচা অচৌবা অমমম হান্না লৈনবা হোৎনৈ। ময়ূমদা গাড়ীদু থম্ফম লৈত্রসু লম্বীদা সোরোক্তা ফৈ ফৈদুনা অদুম থমগনি। করি ৱাখলদগীনো খঙদে, কার তোংদ্রদি লেম্নদবা মতম হায়দু য়ৌরে, লোইরমদাইগীরা খঙদে। ফীভম অসিদা সাইকল থৌবা হৌদোক্লসি হায়রুদুইসি য়াম্না লুই, মীনা অঙাওবনি শোয়দনা হায়খিনি। অদুবু ঐদি থৌজৈ, ইকায়বিদে। মীগী মরল হুরানবসু নত্তবসিবু - করি কায়গে? ঐনা সাইকল থৌরগা চৎপদা মীশিংসিনা য়েংনৈ, অদুগা কন্না নোকশিল্লম্বসু য়াওই। ফোটো নম্বসু য়াওই। মচিন খুম্মগা থওইনা করেম্নদুনা নোকপসু য়াওই। খরা অমনা, ‘ওজা সাইকলদা অমুক তারবো?” গাইনা করেম্নরম্বসু কোকথোং অমা য়াওই। মোইগী মেন্টেলিটিশিংদু ঐনা লোইনা খঙই। অদুবু মখোয়গী থাক্তা কুমথরগা ঐ ৱা হায়ননীংদে, অদুনা ঐগী থৌফম থোকপদু অদুম থৌই। খুম্মুনবগী মতমসু লৈতে, খুমনীংবসু পোক্তে। তঙাইফদবা থবক অরুবা অথুবা চৎকদবদা নৎত্রগা অরাপ্পা চৎকদবা লৈরবদি কার থৌবসু য়াই, অদু নৎত্রদি কৈদৌবৈ কার ঙাইহাক লৈতনা থৌদোল্লগা লম্বী চিলহনদুইনো? মসি খল্লকপদগী কুইরে ঐগী সাইকল অমা লৈরগা থৌরকপা। লুরিবদি সাইকল শেম্ফম তাঙশিল্লকপা, শুংলৈ লৈরক্তবা অসিনি। নুংশিৎ তারকপা, হোরকপা, য়ারক্তবা মতমদা য়াম্নদি ৱাই, শেম্ফম লৈতবগী। অদুনা মখুন অমতং হোরকপদা সাইকল য়োনফম অমদা চঙলগা পূন্না ট্যুব ওইনা শিনবা য়াওরে। ফোৎপীয়ু হায়রুবদা সাইকল য়োনফমদুদদি কমদৌনা হায়রুনি।

ঐগীসি ৱায়োং চাদবা ৱাদি ওইরদ্রা খঙদে। ঐখোয় য়াম্না কা হেন্না অথু-অকায় লৈত্রদি ওফিস চৎপসু অদু ঙাই, কৈথেল চৎপসু অদু ঙাই, মী অমা উনবা চৎপসু সাইকল খরা খরা চৎনরসি হায়বসিবু য়াম্না ৱারৌগদ্রা, লেমদবা থবক হৌদোরক্লে হায়না ঐবু চৈবীগদ্রা? ঐদি সাইকলসি থৌবনা হকচাংসু নুংঙাইবা, অদুগা থাওসু কনবা, লোয়ননা লম্বী চিনবসু খরা হন্থহনগনি হায়না খল্লি। অদুতা নত্তনা ঐখোয়গী ৱাখলসি নাপন হায়বা অদুদগী থৈদোকপদসু মতেং ওইনি হায়না খল্লি। কার মচা অমা তোংলগা মীশিংসে নাপনগসু য়াম্না কারিয়ে। মানা লাকপা লম্বীদা খিতং হাইদোক্তবদা, ‘নমিৎতু উদ্রো, থোমজিল্লগা শিরগে হায়রো’ গাইনা মঙক লিৎথোল্লগা চৈশিল্লম্বা য়াম্না য়াওরি। সি ময়ামসু অদুম থেংনবিরমগনিদা। মদু মশাদা নাপল কারিনি। অদুগুম্বা নাপলদুনা মীদুগী পুন্সিদা অতৈ অতৈ হীরম কয়াদসু নাপল কননা কাদনা মী উশিৎতবগী চাং হেনগৎহল্লিবনি। অদুবু সাইকল থৌরদি চাংদু হন্থহনগনি, ৱাখল নুংঙাইনি। মী পূম্নমকশিংসু নুংশিনবগী চাং হেনগৎহনগনি খল্লি। মসি ঐনা হেনজিন্না খল্লুরিরা খঙদে। সাইকলসি খরা খরা থৌনরসিদা। সাইকল থৌবদা থোইনা ইকায়নীংঙাই লৈতে। সাইকল থৌববু লেমদবা পাখঙনী হায়না খনবা লৈশাবী লৈরসু, পাখঙশিংনা মোইদুগুম্বীদু হন্না য়েংবীরুরনু..., মোইদুনি হয়েং নয়ূমদা লাক্লগা ইমুং মনুংদা খাবৈ খারা শারক্তৌরিসে। ইহে ৱাসি ফৈজৈ চৎখিদৌরে। লোইশিল্লকপদা ঐখোয় সাইকল খরা খরা থৌবা হৌদোক্লসিদা।◂◂

# অঙাংশিংগী নাকোংদা থোরকপা ইনফেক্সনশিংবু খঙবা ঙম্বা স্মার্টফোন এপ

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

নাকোংগী ইনফেক্সন হায়বসি ময়ায় থংবা নাকোংগী শরুক্তা মরুওইনা বেক্টরিয়াশিংনা থোকহনবা ইনফ্লেমেসন অমনি। মসিনা মরম ওইরগা নাকোং চন্ত্রা (এয়র দ্রম) গী মতুংদা মহী ওইবা পোৎ তুংশিন্দুনা লৈরকই। মসি মীপূম খুদিংমক্তা থোকপা য়াই। অদুবু অঙাংশিংদনা হেন্না থোক্কল্লি। য়ু এসকী ‘নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ হেলথ’কী মতুং ইন্না অঙাং তরুক্কী মনুংদা মঙাদি মশাগী চহী অহুম শুবা ফাওবদা য়ামদ্রবদা অমুক্তি ইনফেক্সন তৌই হায়রি। নাকোংগী ইনফেক্সনসি চাউরাক্লা মখল অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই : ১) *একুট ওটিটিস মেদিয়া* হায়বসি খ্বাইদগী থোক্কনবা ইনফেক্সন অমনি। ময়ায় থংবা নাকোংগী শরুকশিংদা ইনফেক্সন তৌদুনা চাউথোরকই অদুগা চন্ত্রাগী নাকন্দা মহী তুংশিল্লকই। অদুনা নাকোংদা অনাবা ফাওরকই। মসিনা মরম ওইদুনা লাইহৌ হৌরকপসু য়াই। ২) *ওটিটিস মেদিয়া ৱিথ ইফ্যুজন* হায়বসি ইনফেক্সন্না মপূং ফারক্লবা মতুংদা থোকপা য়াই। মসিদা অঙাংদুদা লায়ওং উৎলক্তবা য়াই। ৩) *ক্রোনিক ওটিটিস মেদিয়া ৱিথ ইফ্যুজন* হায়বসিনা ইনফেক্সনমক থোক্ত্রগসু ময়ায় থংবা নাকোংগী শরুক্তা মহী তুংশিন্দুনা মতম কুইনা লৈবা, অদুগা অমুক হন্না হৌরকপা অনাবা অমনি। মসিনা নাবদগী ইনফেক্সনশিং কোকহনবদা অরুবা ওইরকপা অমসুং তাবগী শক্তি হন্থরকপা য়াই। অদুনা অঙাং অমনা মমালোন তম্বা হৌরকপদা অপনবা পীবা য়াই হায়রি।

নাকোংদা নাবা অনাবা অহুমসিবু খঙদোকপা হায়বসি ইরায় লায়বা অমা ওইদে। মরমদি লায়ওং য়াওদনা নাবা য়াই নৎত্রগা লাইহৌ তৌরকপদা অতোপ্পা অনাবা ওইনা খনখিবসু য়াই। মসিগীসু মথক্তা পিক্লিবা অঙাংশিংনা মখোয়দা নারিবা মফমদু হায়বা ঙমদবসু হেক হেক থোকই। অদুবু হৌজিক্তি স্মার্টফোন এপ অমগী মতেংনা নাকোংগী ইনফেক্সনশিংসি ইরায় লায়না খঙহনবা ঙল্লগনি। মরমদি ‘য়ুনিভসির্টি ওফ ৱাশিংটন’ গী থিজিল্লোয়শিংনা নাকোং চন্ত্রাগী মনীংদা লৈবা মহী খঙহনবা ঙম্বা স্মার্টফোন এপ অমা পুথোকখ্রে। ইচম চম্বা চে মচেৎ অমগা স্মার্টফোনগী মাইক্রোফোন অমসুং স্পিকর শীজিন্নরগা নাকোংদা মহী লৈবসি খঙহনবনি। চেনা শাবা শেরৈ (ফনেল) অমা ফাওরগা স্মার্ট ফোন্দুগী স্পিকরদগী খোঞ্জেল কয়ামুক নাকোং মনুংদা থাজিল্লি, অদুগা থক্তোরকপা খোঞ্জেলদুনা ফোন্দুদা য়ৈরবগী মখা পোন্না, এপতুনা মহী লৈরম্বা য়াবগী ওইথোকপদু ৮৫% চুম্না তাকপা ঙম্মী। মসি হৌজিক্কানগী নাকোংগী ডোক্তরশিংনা অখন্নবা খূৎলায় শীজিন্নদুনা ময়ায় থংবা নাকোংগী শরুক্তা মহী লৈবা পুথোক্লিবা অদুগা চাংদম্নবা য়াই। মখোয়না পুথোক্লিবা এপসিগী মতাংদা পাউদম অমা মেগী ১৫দা ‘ট্রান্সলেসনেল মেদিসিন’ দা ফোঙদোকখ্রে।



ডাঃ শরৎ রাজু (ওয়) অমসুং জষ্টিন চান

টেষ্ট অমা তৌনবগীদমক অরাপ্পা মফমদা চৎপদা শেল তিংবা অমসুং মতম চংবগী খুদোংচাদবা লৈরিবশিংসিগী য়েংলুরগা,



ডাঃ রন্দাল ৱাইনা মহাক্কী মচানুপীগী নাকোংদা মহী লৈব্রা হায়না চেক তৌবা

স্মার্টফোনগুম্বা মফম খুদিংমক্তা ফংবা খূৎলায় অমগী মতেংনা অঙাংশিংগী অনাবা অমা খঙদোকপা হায়বসি মমা-মপা অমদি হেলথকী লম্দা থবক তৌরিবশিংগীদি অচৌবা কান্নবা অমনি হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী ‘পোল জি এলেন স্কুল ওফ কম্প্যুটর সাইন্স এন্দ এঞ্জিনিয়রিং’ গী এসোসিয়েট প্রোফেসর শ্যাম গোলাকোটনা ফোংদোক্লি। অমুক্তংবু মহী লৈরে খঙখ্রবদি নাকোংগী ইনফেক্সনশিংসি ওবজর্ভেসন নৎত্রগা এন্টিবাইওটিক অমসুং অখঙ অহৈ অমনা মহীদু চিংথোকপনচিংবা তৌদুনা লায়েংবদা লায়হল্লি। অসুম্না য়ূম-য়ূমদা মমা-মপাশিংনা মচাশিংগী নাকোংগী ফীভম খঙদোল্লগা ডোক্তরগী মনাক্তা চৎপগী মথৌ তারে নৎত্রগা তাদে হায়বদুসু লেপথোকপা ঙমহল্লগনি।

কনাগুম্বা অঙাং অমগী নাকোংদা ইনফেক্সন লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বা য়েংনবগীদমক, চেনা শেরৈ মওংদা কোল্লগা নাকোং মনুংদা খজিক ইনশিল্লগা থম্মী। স্মার্টফোন্দুনা উচেক্লা খোঙবগা মান্নবা, মিলিসেকেন্দ ১৫০গী খোঞ্জেল অমা শেরৈদুগী মতেংনা নাকোং মনুংদা থাজিল্লি। খোঞ্জেলগী ৱেভতুনা চন্ত্রাদা য়ৈরুরগা থক্তোরকই, অদুগা শেরৈদু ফাওরগা স্মার্টফোনগী মাইক্রোফোন্দা চঙলকই। স্মার্টফোন্না হান্না থাদোরকপা খোঞ্জেলদুগী ৱেভকা থক্তোরকপা খোঞ্জেলদুগী ৱেভকা চাংদম্নরগা মহী লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদু খঙবা ঙম্মী। মসি যুগী গ্লাস অমদা থেৎকাপ্পী কাপ্পগা মান্নৈ হায়না এলেন স্কুলগী দোক্তরেল মহৈরোয় জষ্টিন চাননা হায়রি। গ্লাসতুদা য়াওরিবা যুগী চাং খেন্নবগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা খোঞ্জেলশিং তাই। মসিদা য়ূম্ফম ওইরগা মখোয়না নাকোং মনুংদা মহী লৈরে হায়বসি খঙদোক্লবা হোৎনরকপনি হায়রি। করিগুম্বা চন্ত্রাগী মতুংদা মহী লৈতবা তারগদি, চন্ত্রাদু নিকই অদুগা মখল কয়াগী ৱেভশিং থক্তোরকই। থক্তোরকপা ৱেভশিংসিনা থাজিনখিবা খোঞ্জেলগী ৱেভকা খজিক্তং য়েৎশিন্নরগা এমপ্লিচুদ পিকপা ৱেভ অমা শেল্লক্তুনা স্মার্টফোন্দা চঙলকই। অদুবু চন্ত্রাগী মতুংদা মহী লৈরবদি, চন্ত্রাদু ফজনা নিকপা ঙমদে, অদুনা থাজিনখ্রিবা খোঞ্জেলগী ৱেভতুমক থক্তোরকই। থাজিনখিবা ৱেভতুগা থক্তোরকপা ৱেভতুগা পুল্লগা এমপ্লিচুদ চাউবা খোঞ্জেল শেল্লক্তুনা স্মার্টফোন্দা চঙলকই।



চেনা শেরৈ ওইনা কোনশিনবগী মওং

অসুম্না স্মার্টফোন্দা য়ৌরক্লিবা খোঞ্জেলদুবু মশক খঙবা ঙম্বা অমসুং মহী লৈ নৎত্রগা লৈতে তাক্কদৌরিবা এপতুগী অলগোরিথমদুবু ট্রেইন তৌনবগীদমক, থিজিল্লোয়শিং সিট্টল চিলড্রেন’স হোস্পিটালদা লৈবা থা ১৮দগীনা চহী ১৭ শুরবা অঙাং ৫৩দা চাংয়েংশিং পাঙথোকখি। মখোয়গী মনুংদা তঙ্খায়মুক্তি নাকোং মহী লৈবদগী নাকোং উতোং শিন্নবগী মতম লেপ্তুনা লৈরবনি। অতোপ্পা তঙ্খায় অমনা নাকোংগা মরী লৈনদবা অনাবশিংগী থাঙ থানবা লৈরবশিংনি। থিজিল্লোয়শিংনা অঙাংশিংদুদা থাঙ থাদ্রিবৈঙগী মমাঙদা স্মার্টফোন্দগী খোঞ্জেলশিং থাজিল্লম্মী অদুগা থক্তোরকপা খোঞ্জেলশিংগী রেকোর্দসু তৌরম্মী। অঙাং কয়ামুক্তি খোঞ্জেলদু তাবদা মোমোন নোকপা নৎত্রগা হরাওনা নোক্লকপসু থিজিল্লোয়শিংনা থেংনরম্মী। থাঙ থারগা নাকোংগী উতোং শিনখ্রবা অঙাং ২৪গীদি চন্ত্রাগী মতুংদা মহী লৈরম্মী অদুগা অঙাং ২৪গীনা মহী লৈরমদে। অতোপ্পা অনাবগী থাঙ থাখিবা অঙাংশিংগী ওইনা অঙাং অনীদা নাকোংদা ইনফেক্সন তৌখিবগী খুদমশিং থেংনরম্মী অদুগা অঙাং ৪৮দনা নাকোংগী অনাবা লৈরমদবা থেংনখি। মখোয়গী অলগোরিথমদুনা ১০০গী মনুংদা ৮৫দি চুম্না নাকোংদা মহী লৈরম্বা পুথোকপা ঙম্লম্মী। থিজিল্লোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী চে অমসুং স্মার্টফোনশিং শীজিন্নদুনা চাং য়েংখিবদসু চপ মান্নবা মহয় ফংবা থেংনরম্মী।◂◂